# কুকিগী অনৌবা ‘ইকনমিক ব্লোকেদ’ কী মরুমদা

নৌরিবা মহৈরোয় অনী (লিপ্পোইঙন্বী অমসুং হেমঞ্জিৎ) মখূৎ চন্না ফারবা মতুংদা কোল্ড-ব্লদ’তা তমথীনা হাৎখিবগী মতিক চাবা প্রমান ফংলবা, মরাল লৈবা মীশক্তুসু ফারবা, মখোয়না হাৎপনি হায়বদা চেনবা য়াদ্রব’দসু মীহাৎ অদু কন্দেম তৌবা ৱাহৈ অমত্তসু কুকি ফুরুপকী মীওই (চর্চ লুচিংবশিং য়াওনা) অমত্তগী মচিন্দগী থোক্লক্তবা অদুনা মখোয়সি মীওইবা খুন্নাইদা লৈহনবদা মতিক চাদ্রবা ফুরুপ অমনি হায়বদু তাকথোকচখ্রবনি। ৱাথোক অদু নেমথদ্রিঙৈ, অতোপ্পা মীতৈ নহা অনীখক সেকমাইদগী কাংপোকপী য়ৌনা চঙশিল্লুবদগী মফম খঙদ’ মাঙখিবগী থৌদোক অম’মুক থোক্লকখি। কুকিশিংনা ফাখ্রে হায়বই প্রমান’দি অঙাংশিংদুনা পায়খিবা মোবাইল ফোন সেনাপতি-কাংপোকপী লোন্নবা মফম অমদা হুন্দোক্লস্লদুনা মতিক চারবনি। ৱাথোকসিগা মরী লৈননা পুলিসনা চিংনবা মীওই অনী খক ফাগৎখি। কুকিশিংনা হায় - ফাগৎখিবা মীওই অনীমক মরাল লৈতবা মীওইনি, কন্দিসন অমত্তা থমদনা থাদোক্কদবনি। কাংপোকপীগী গভর্ণমেন্ট অমনি খঞ্জরিবা ‘কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি’ (কোটু) না লাউথোরকই - মখোয় অনী থাদোরক্ত্রি’ফাওবা নেসনল হায়ৱে অনীমক্তা (নম্বর ২ অমসুং ৩৭) মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অমুক হন্না চত্থরগনি। মে ৩, ২০২৩গী মতুং থা তরেৎমুক্কী মনুংসিদা, লম্বীসিদা চত্থরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ নুমিৎ কয়ানিমুক ওইরমগদগে? রেকোর্দ কীপর নত্তবনা ৱারেংজরিবা ইশাদি ইশিন্দুনা থমহৌদ্রে। জর্নেলিষ্টশিংদি খঙলমগনি। মণিপুরগী চীংগী লম, নেসনল হায়ৱে অনীসিগী পরিংদা খুন্দারিবা নাগা অমসুং কুকি ইচিল-ইনাওশিংনা হৌখিবা চহী কয়াসিদা ‘ইকনমিক ব্লোকেদ’ হায়বা থৌওং অসি মপা-মপু হাক্তক্তগী মীতৈশিংগী মথক্তা থাঙ-তেন-নোংমৈদগী হেন্না থৌবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরকই - মখোয়গী আইন্না য়াদবা দিমান্দ অমা তান্নবা। মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা তৌবা পুবা থাংবা ঙমদবা, আইনগী থোঙদা লোফুল ওইবা মওংদা সোল্ল তৌবা য়ারোইদবা পোলিটিকল দিমান্দ কয়াগী ইস্যুদা নেসনল হায়ৱে অনী অসি থিংজিন্দুনা তম্পাক লমদা লৈরিবা মীশিং, মরু ওইনা মীতৈশিংগী চাকখাউ মরী থদৎনবা হোৎনবা - মাঙলমচত্তা কয়ারক হন্না তৌখরে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী প্রোপর্টি ওইরিবা নেসনল হায়ৱে অমবু পীকখ্রবা ফুরুপ অমগী মীওই খুজোক অমখক্লা তেনখ্রবা লম্বী মতেক অমদা নুমিৎ কয়ানি থিংজিন্দুনা থম্বদা লম্বী পরিং অসিদা লৈরিবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সকী মীওইশিং তূমিন য়েংদুনা লৈহল্লি, অনলোফুল ওইবা থবকশিং মনীং তম্না তৌহল্লি। নিংঙাই চাউবা অঙাংনা মরম চাদবা নিংঙাই অমা তৌবা, পোৎ-চৈ থুগায়দুনা য়ৈখায়/থিনগায় তৌরক্লবদসু মমা-মপা, মথক-থোংবশিংনা চৈরাক অমত্তা পীদনা তৌনীংবতা তৌহনখিবদগী লমহেন-তুহেনবা, লমকেৎপা অঙাং ওইরকখিবদুগুম্বনি। মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনীসিবু মপা-মপুনা থল্লম্বা ‘এনসেন্ট্রেল প্রোপর্টি’ অমগুম খল্লিবা মখোয়গী ৱাখলসি হোংহন্নবা অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈনি - লম্বী থিংবগী থবক চত্থরিবা, ভাইওলেন্ট ওইবা পাম্বৈ শীজিন্নরিবশিংসিগী মথক্তা চৈ থাবা, মনম তৎনবা ফৃন্দৎপা, য়াদে হায়বা খঙহনবা। ইম্ফালগী লম্বী-সরক্তা রেল্লি চৎপা মহৈরোয়-নহা-নুপীশিংদা উৎখিবা মথৌনা মরীংজেলদু চীংগী লমদসু উথোকহনবা। চীংগী লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীগী মীওইশিং লৈবাকসিদা ঙসি চৎনরিবা লো অসি করিনো... মথক থোংবা ওফিসরশিংনা খঙহনবা তঙাইফদবা অমনি।

‘ইকনমিক ব্লোকেদ’ হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা (টর্মিনোলোজি) অসি করিগুম্বা লৈবাক অমনা করিগুম্বা ৱাফম অমদা ইন্টরনেসনল লো থৌওইদনা/থুগায়দুনা, ইন্টরনেসনল কম্যুনিতিগী ৱারোল থৌওইরক্তবা মতমদা অতোপ্পা লৈবাক অমনা নৎত্রগা কয়ানা লৈবাক্তুগা লৈনরম্বা লল্লোন ইতিক্কী মরী থদৎনবা থবক পায়খৎলকপা... লৈবাক্তুগা হান্না তৌনরম্বা লল্লোন ইতিক্কী থবক পূম্নমক লেপ্পা, পোৎ-চৈ থাদোক-থাজিন, পুথোক-পুশিন অমত্তা তৌনদবগী থৌওং অদুবুনি। ইকনমিক ব্লোকেদ লাউথোক্লিবা লৈবাক্তদা, লো থুগায়রুরিবা লৈবাক অদুনা কয়ামুক মপাল তাংনা হিংবগে হায়বদুগী মখা পোল্লি-‘ইকনমিক ব্লোকেদ’ অমা ইফেক্টিব ওইবা/ওইদবা, মায় পাকপা/পাক্তবা। লৈবাক অমগী মনুংদা, মফম অমদগী অমদা লল্লোন-ইতিক্কী পোৎ (ইকনমিক গুদস) পুথোক পুশিন তৌবদা কনাগুম্বা ইন্দিভিজুঅল খরা নৎত্রগা কাঙলূপ অমনা থিংবগী হক লৈতে। তৌরকপা থোক্লবসু কনাগুম্বনা করিগুম্বা মতমদা, মদু লমহেন-তুহেনবশিংনা পাঙথোকপা গুন্দা-গিরি’গী থবক কৌই। লমদুগী লো-এনফোর্সমেন্ট দিপার্টমেন্ট’না অঙম্বা/অরৈবা পাম্বৈ, নম্ফু শীজিন্নদুনা থবক্তু লেপহনগদবনি, লমহেনবশিং চৈরাক পীগদবনি। করিগুম্বা দিমান্দ অমা তানবদা ৱারী শানবা অমদি ৱাকৎ খোঙজং কয়া চঙশিনবদসু ফংলক্ত্রবা ‘ষ্ট্রাইক’ হায়বসি অরোইবা পাম্বৈ অমা ওইনা শীজিন্নরকপা-চৎনরকই মমাঙদগী। ঙসিমকসু চৎনরি।

মালেমগী মফম কয়াদা, মতম কয়াগী মমাঙদগী, ‘অকনবনা অশোনববু তুহৎপীরে’ হায়বই ৱাকৎ অসিদা মখল কয়াগী অন্দোলন, ষ্ট্রাইক কয়াগী ৱারী থেংনরকখ্রে। পারকখ্রে। নীংতম্বগীদমক শোক্লবা লান, ৱার ওন ইন্দিপেন্দেন্স’ কী ৱারী কয়া পাখরে, লাইরিক ওইনা ফোঙখরে। ইন্দিয়াগী ফ্রীদমক ষ্ট্রগল-বৃটিশ লৈঙাক মখাদগী নীংতম্বা লৈবাক ওইরক্লবা থেংনখিবা অন্দোলন- মালেমগী নীংতম ৱারী পূম্নমক্তগী তোঙাল্লি। থাঙগা-থাঙগা, নোংমৈগা-নোংমৈগা মায়োক্লরগা শোক্লখিবা নীংতম লান - অদুগুম্বা লান নৎখিদে। মখোয়গী মরৈবাক মরমদমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা, পাক চাউরবা এম্পায়ার অমগী মায়োক্তা মখূত্তা খূৎলায় পায়দনা, ফুরিৎ ফাওবা লীত্তনা ফৈজোম অমা শেৎলগা, ঙবোং অমা ইল্লগা, খূৎলায় পায়দবা মীয়াম্না লাম্মী ওইরগা গান্ধী’না লানচীংপুরেন ওইরগা থেংনখিবা লানফম অমনি - ইন্দিয়াগী ৱার ওফ ইন্দিপেন্দেন্স। মহাক্কী ৱাহৈ অমদা মশীং য়াম্লবা ‘বৃটিশ ইন্দিয়ন আর্মি’ ফুক হৌগত্তুনা মথ্বায় থাগদবগী ঙাইরিবা, অকনবা/অথৌবা গভর্ণর জেনরেল-গান্ধীগী য়াথং য়াওদনা ৱারেপ অমত্তসু লৌবা ঙমখিদবনি। নন-ভাইওলেন্স (অহিংসা) তূমীৎ-কাঙ-হয়ীং ফাওবা হাত্তনা লেনবা পুন্সিদুনা ফিদম ওইবা ‘গান্ধী’ দুনা মপা ওইবা জাতি অমনি ‘ইন্দিয়া’। অদুগুম্বা লমদুদা তূমদুনা লৈজবা লৌমী-শিন্মী ময়ামগী য়ূম মৈ থাদোক্তুনা তাম্ফোক্লগা, মরাল লৈতবা স্কুল তল্লিবা অঙাং ফাওবা নুংশি হৈতনা হাত্তোক্তুনা ঈরাং থোকহল্লগা, লমদমদুদা মখোয়গী ওইবা নীংতম্বা লৈবাক অমা শেমগৎকনি মঙ মঙলিবা... মখোয়নি ঙসি বোম-তোপ-নোংমৈ, অফবা খূৎলায় ময়াম অমগী মথক্তা ‘ইকনমিক ব্লোকেদ’ হায়বা খূৎলায়দুমগ’ মুক পায়দুনা কুকিশিংনা মীতৈগী মথক্তা অকনবা লান অমা চত্থরি হৌজিক। দেল্লীগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট - মহাভারতকী লাঞ্জাওদা ধৃটরাষ্ট্রনা কোনুং শঙ্গায়নুংদা ফল্লগা ‘সঞ্জয়’দা অখন্নবা উনবই শক্তি পীদুনা মীৎনা উবা পাউদম অমা তমহন্নবা এরেঞ্জমেন্ট তৌখিবদুগুম, লানসিগী নীনি চনবা নুমিত্তুমক্তদগী লান’সিগী ‘রন্নিং কম্মেন্টরি’ অমা পীহন্নবা ‘সিক্যুরিটি এদভাইজর’ নচিংবা ফম ময়াম অমা হাপচিন্দুনা শেম-শাবা লোইখ্রবনি। কদায়দা, কনানা করি তৌরি, করি থোক্লি... কূপ্পদগী কূপ্লবা রিপোর্ট পূম্নমক ফংনা-ফংনা করিমত্তা তাদ-উদবগুম, লমহেনবা কুকিশিং মনীং-মখা তমহল্লি। খাঙবা কনবা মীতৈশিংগী খাঙবই পাঙ্গল চাং য়েংলি।

ইকনমিক ব্লোকেদকী মিংদা কুকিশিংবু লম্বীগী গুন্দা অমগী অহেনবা থৌদাং অমসু পাঙথোকহল্লগা মীতৈশিংবু ঙায়োক-চফুগী ঙা ওইহনগে... আই টি এল এফ’পুনা চুড়াচান্দপুর’লোমদগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অহুম, মণিপুরদগী তোখায় তারে লাউথোকহনগে... মীতৈ খোয়শাউনহনগে, ঈরাং চাউথোকহল্লগা বিরেন মকোক চীকহনগে, উমংদা লোৎখিবা মীতৈ নোংশা থোরকহল্লগা লম্বীদা থৎলগা কাপথৎকে - খনবা মাল্লি, দেল্লীদা লৈবা কোক্লেন’দুগী কোক্তুদা।

-*ইন্দ্রকুমার*

# থরো থেংনরমদ্রবা...

চেকশিঞ্জখ্রবা খুরা চাউবদু মমাংগী কোভিদ লাইচৎতুদা লাইবক থীবদগী কনবা হেক ঙমহৌদনা কোভিদনা ঙমদুনা পুবিখি। অদু হন্দক মাগী ফিরোইগী কর্ম্মদু নবদ্বিপতা লোইশিল্লগে হায়দনা মচানুপা হৈশিংবা অতোনবা দীপকনা নবদ্বিপতা চৎখিবদু মণিপুরদা সেকেন্দ ৱেভ য়ৌরক্ত্রিঙৈদনি অদুবু য়াম্না নুংঙাইতবা হায়রগনা ফিরোইদু শোনখ্রে, খোৎখ্রে হায়বগী পাউ অমত্তা পীরক্তবদগী ওন্থোক্লা পাখৎনরুরে য়ূমদদি। ফোনসু স্বিটচ ওফতা লৈ, শিখ্রবরা-চঙখ্রবরা হায়দুনা য়ূমদা পুমলাং লাংই পাখৎনবদা। অদুবু মাদি খুদোংথীবা অচৌবা অমা থোকপদগী পাউ পীফমসু লৈত... থোরকপা য়াদদনা ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরম্মী।

দীপককী খুদোংথীবা হায়বদি সিনি। মানা হেক থুংবগা মফমদুদা লৈরম্বা দাকু খরনা ফাদুনা মঙোন্দা য়াওবা মোবাইল, শেল-থুম লোইনা মুনখ্রজাৎনিদনা। অদুদগী হেন্দোক্তুনা শেৎলিবা ফিরোল, খোঙউপ ফাওবা লোইনা মুনবীরগা লেঙ্গোতা অমখক শেৎলগা হুন্দোকপীরল্লবজাৎনি। সিগুম্বা থৌদোকসি পাক-পাকপুদি থোকপা নৎত্রগসু দীপক মরাইবক থীবা হায়দু তারে...পাম্বৈ লৈতে করম তৌসিগে খল্লে, মানা কোইলৈ-লৈরগা য়েংবদা ভোটকী ফেষ্টুন অমা নেমতক্লা ফেরে-ফেরে হাইদুনা শম্বল অমগী মনাক্তা লৈবদু উরে। মদুদগী মানা ফেষ্টুন অদু চিংথরগা মফি ওইনা শেৎচিল্লে।

ওন্থোকপনি, নুমিৎতুমা লাইশঙ অমগী মচি অমদা তূল্লে, চরাসু হেল্লে। অয়ূক অঙনবদা মী হৌগৎনদ্রিঙৈদা মমায়-মমিৎ তাথোক্লে। ভোটকী ফেষ্টুনদুনা খুদৈ ওইনা মখ্বাংদা শেৎচিল্লে। মশা কুপশিন্নবা ফি অমা অমুক থিরে। অদুসু উচিন নাচিন্না ফুরিৎ শেগাইবা অমা শম্বল ময়াদা য়ান্দুনা লৈবা উবদগী লিৎশিল্লে। মা তশেংনা অঙাওবা অমা শারে। মমায়-মমীৎতুসু অমোৎ অকায় খরা তৈশিল্লে অদুগা মন্দির অমগী মনাক্তা লাক্লগা মখূৎ তিংথোক্লগা শেল নিবা হৌরে। মা পাম্বৈ লৈতে করম তৌরগা চাক চরা অমা চাবা ফংগদগে খনবা হৌরে। মীতৈ মচা মানবা খরা লাকপা উই। মানা ইকায়মন্দনা ফৎ লৈথোকই। লাক্লিবশিংদুনা উথোকখিবনা হান্দুনা মাবু হায়ফেৎ তান্নদুনা য়েংলকই। মাসু খরা চেল্লি। মীতৈ মচা মানবশিংদো অতৈ কনা নত্তে দীপকনা তান্নজরিবা থরো হোয়গী ফেমিলিনি। থরোসু য়াওই, মবুংনে, মমানে মখোয়সু মপা লৈখিদবগী ফুল থাদবা লাকপজাৎনি। হন্দক দীপকনা নবদ্বিপতা মতোমতা চৎলিসি মোইগা উন্ননবা শীনবনি, মখোয়গীসু মতেং পাংগে হায়দনা।




দীপক হায়না কৌরকই, দীপকসু লেপ্পী। খোঞ্জেলদু তাবদা দীপক শ্বাই লাওই। থরোনা মাগী মনাক্তা চঙলক্লগা- দদা কৈদৌরে, তৌরল্লিবা ফীভমসিবু হায়না হংলকপদা দীপক্লা ৱারী পূম্বা লোইনা লীরে। ৱারীদু তারবা মতুংদদি থরোনা দীপকতা ৱারৌরম্বা পূম্নমক খুদক্তা ফখ্রে। খুদক্তা থরোনা দীপককী য়ূমদা ফোন তৌদুনা থোক্লিবা থৌদোক্তুগী ৱারী পূম্বা লীরবা মতুং শেল খরা জি-পেদা কাপ্লক্লবা হায়রে। শেল থারক্লবা মতুং থরোনা দীপককী ফিরোল খরা লৈরুরে।

দীপককী ফীভম অদু উবদা থরোনা মাগী মবুং, মমা য়াওরি হায়বা কাউথোক্তুনা থরোনা দদা দীপকনা খল্লি, ‘থরো নঙ থেংনরমদ্রবা ঐ....।’ অসুম্না মখোয় পূন্না য়ূমদা থোরক্লে। দীপকতো মপা চাউবগী ফিরোইদু শোনখিদ্রে । নুমিৎ খরা লৈরগা দীপকতু মশা নুংঙাইতে হায়দুনা টেষ্ট তৌরুবদা অমুক পোজিটিভ ওইরে। অদুবু মপাগী ফিরোইদু পাঙথোক্লবা বামোন্দা হংলগা থবান শোয়রবসু পুর্নিমা নুমিত্তা ওইনা এস ও পি ঙাক্লা শোল্লগনি হায়না তাই। দীপকতি য়াওবা য়াররোই অমুক...!

(কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা) -**আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

# ইন্তেন্সিভ ক্যের য়ুনিট

মমা অমদি ইচাশিং অসিনা করম্না হিংহৌবা, ঐ হিংলিঙৈদা ফাওবা মনিং তম্না, শেৎপা-চাবা ফংজদ্রবা, মরেক-মহাউ থোক্ত্রবা পুন্সি। মী ওইনা পোক্লগা মীরক্তা তিঞ্জবা ফংদ্রবা। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ইচাশিং অসিগী পলেপফম তং-তাবা মফম অমসু খঙদ্রিবা। নুংশুক-নুংজানরবা, মমিত্তা ঈরা চেল্লবা, মতু ইপোল-পোল্লবা শক্তম লেপ্লরি মীৎমাংসিদা। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মখোয়দা ঐনা পীরম্বা ঙম্বা হায়ববু মীগী শেন্দোনশিং অদুনি। কদোমদগীনো খঙদে পাইশিল্লকই কোকসিদা - ইচননুপী মণিপুরগী ৱাংমদা লমদম তাম্না ওংখ্রবী মরাইবক থীরবী, মপুরোইবা ঙন্না কায়নখ্রবী, পীক্লিবা মচাশিং অদুগা মানা করম তৌবা মীরমদুদা। জাৎ-জাৎনি করি হায়নবু তমগদবনো হায়ফম তম্ফম খঙদে। কদাইদগী করম তৌনা নীংশিংলকপনো খঙদে কোক অসিদা মথং-মথং পাইশিল্লকই। কুইরবা, নীংশিংখিদ্রবা মীরমদা থবক তাখিবদগী লমদমদুগী নিঙোল লৌদুনা লৈখ্রবা, নোংমতসু ইচিল-ইনাও, মচে-মচনশিংবু নীংশিংদ্রবসু মাবু হেক পোক্লিবা মমা-মপাদু চহী য়ামশিল্লক্লস্লনি, হিংলবসু শোল্লস্লনি, হিংলিবরা, শিখ্রবরা হায়বা ফাওবা হেক নীংশিংলকখিদ্রবা ইরেমখাক্কী ইনাওনুপা অদুগী ৱাখলদু ফুৎ ফাওজিল্লকই কোক অসিদা। ঐনা ইন্তেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) দা লৈবগুম মানা মীরমদুদা লৈখিবদুগা চপ মান্নরবজাৎলা। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা পোকপা তান্নরিবসিনা করিগী। হিংলিবা মহাক্লদি নোংমতা নীংশিংলকখিবা নত্তে। খল্লকই ৱাখলসিদা মাগীসিনা ফরবজাৎলা।

খূৎকাপ হৈরবা অর্জুনগী তেনজৈশিংদুদি লীরি তেনগা থোংলগা অদুক্কী মতিক থুনা য়াঙনা কাপ্লিবনি কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা। ‘যথা ধর্ম্ম তথা জয়’ অচুম্বনা মায় পাকই হায়বদু উৎননবা। অদুবু আই সী য়ুগী কা মনুং অসিদা লৈরিবা ঐগী কোক অসিদা পাইশিল্লক্লিবা ময়াম অসিদি লীরি তেনগা থোংবা নংবা নত্তে, জর-জর কাপশিল্লকই, অর্জুন্দগী হেন্না হৈবা, থুবা তেনকাপনি। পীশক পীক্লিঙৈদগী তমখৎলকপা, মহৈ হৈবা য়াবা হৈরবা, খঙবা য়াবা খঙলবা পূম্নমকসি থাদোক্লস্লগা অমুক চৎপা তারবা, লাকখিবগুম। মীওইবনা নোঙ্গারবা মতুংদা অমুক মীওই মপোক্তা পোক্লকই হায়বদুনা অচুম্বা ওইরবদি হৈরিবা মহৈ পূম্নমক অসি মথংগী মপোক অমদা অদুম লোয়নদুনা পোক্লবদি, খল্লুরি খন্নিংঙাই লৈতবগুম ৱাখলসিদা। লেপ্পা লৈতে হোৎচিল্লকই মথং-মথং ৱাবদগী ৱাবা অমা হায়রগদি ময়াম পূম্নমক লোইনা তূম্নখ্রবা অহিংগী মতমদুদা তূম্বা য়াদনা ইতোমতা লৈবা অসিমুক ৱাবদি করিগবু চাংদম্নরুগনি। মদুসু আই সী য়ুগী কানুংসিদা। অদুবু ঐগীদি আই সী য়ু অসিদা অহিংসু নুংথিলসু খেন্নবা লৈত্রে। বিশ্ব কবি কলিদাসকী খূৎথা যক্ষনা মাগী চান্নবী কাইনবদা অদুক্কী মতিক ৱাখিবদু ঐনা ৱারিবা অসিগুম ৱারমগদ্রা খল্লকই। তাঞ্জাসিদা মৌনা চা পুশিল্লকপদু “ঐবু চাসি অরোইবা ওইনা অমুক্তংদি ‘থকখিসিরা’ করিগীনো খঙদে ওন্থোক-ওন্থোকপা ঙাক্তা কোক অসিদা।

আই সী য়ু হায়বসিসু অঙকপা মফম অমনি। অসুম্না মমাঙদা অমুক্তসু খনখিবা লৈতে। খন্না-খন্না মথং-মথং হুত্তুনা চঙশিল্লকই - “ঐসি মমাঙদসু অমুক শিরুরেকো” ঐনা ৱাখল তারকপা মতমদদি মখোয় লোইনা কপ্পরম্মী। অমুক হন্না ৱাখল লাক্লমদ্রবদি মখোয়না কপ্পরিবশিংদু ঐ করিমত্তা খঙলম্লোই। ঐখোয় মীওইবনা শিরবা মতমদা হায়নৈ - ‘লৈখিদবা মাগীদি মফরে, লৈহৌরিবা নুপী অঙাংশিং অসিনি ৱাহৌগদৌরিবা’ কনানবু হায়রম্বনো। হায়রিবা মী অদুসু শিবা হায়বসি করম তৌবগে, শিরবা মতুংদা করম তৌবগে হায়বা খঙলুরবা, শিরুরবা মী ওইবজাৎলা ঐগুম্না। ঐনা শিদুনা লৈবা মতমদু করিমত্তা হেক খনখিদে অৱাবসু-নুংঙাইবসু। শিরে হায়বা ফাওবা হেক খঙখিদে। মীওইবনা মৈনুংদা চোংশিল্লু য়াদ্রিবা, ঈশিংদা চোংথৌ য়াদ্রিবা, চীংদগী ওন্থরকউ হায়বদা কি-কি হায়রিবসি করিনো কিরিবসে হায়দুনা খন্থরুবদা অতৈ ওইরমদ্রে শিববু ওইরম্লে। অদুবু শিবা হায়বসিদি করিমত্তা কিনীংঙাই লৈরমদ্রে।

চৈরকসিদা অমুকসু নীংশিংলকই কদোমদগীনো খঙদে, কোকসিদা হুত্তুনা চংশিল্লকই - নাদুনা লৈরিবা অহল অদুনা ফম শেন্নরিবা মাইবা অদুদা “ওজাবু ঐসিবু কৈদৌঙৈকাদি থোক্লরগদগে” হায়না হংবদা মাইবা অদুনা “ওজাবু হংচিৎকাদি থোক্লবা য়াই” হায়না খুল্লবদা নারিবা অহল অদুনা “হংচিৎফাও লৈরবদি শিরেদনা” হায়খিবা অহল অদুনা অদু য়ৌনা শিনীংলিবদুনা করিগীনো। অসুম্না মথং-মথংনি, মওন-মওন্নি, জাৎ-জাৎকীনি আই সী য়ুগী কানুংসিদা। খল্লি, লৈরিবা ময়ামদুসু ঐগুম্না তৌরমগদ্রা।

লেপ্পা লৈতে, লোইবা নাইদে, লোইবা নাইদবসিবু করিবু লৈরিবনো। নুমিৎ, থা, থৱাম্মীচাক ফাওবা মতম খরা খরদি পোত্থাই। ইনখৎলকপা পাখঙ-লৈশাগী মথোৎ কারকপা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা শেৎনবগী, কায়নবগী মৈশা লাংলবা লাংলবীশিংগী মফমদা ‘কাউগে খল্লগা হেন্না কাউঙমদে, নীংশিংলরোই খল্লগা হেন্না নীংশিংহল্লি” কাউগে খনবনা নীংশিংনবগী মচাক ওইরকপা, নীংশিংলরোই নীংবনা নীংশিংনবগী মরম ওইরকপগুম, ঐসু আই সী য়ুগী কানুংসিদা করিসু খল্লরোই, কনামগী মরমদা নীংশিংলরোই খল্লবসু হেন্না হেন্না খল্লকই, লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকই মরী-মরী কোক অসিদা। পূম্নমকসি ঐনা অমত্তা হেক চিত্থদবমখৈ ৱাহৈ অমদি ৱাহন্থোক (শব্দ অমদি অর্থ) শীজিন্নবগী হৈ-শিংবগা লোয়ননা লেংশিনবা ঙল্লবদি, নীংথিনা ফোঙদোকপা হৈরবদি পচা মীতৈগী ‘ষ্ট্রিম ওফ কন্সিয়সনেস’ কী লাইরিকশিং অদুনা মনাক-নকপা য়াগদবা মান্দে। ঐনা মতিক চাদবগী, হৈজদবগী মীমাংদা পুথোকপা য়াদবগী ৱানি। ঐগী কোক অসিদা আই সী য়ুগী কানুংসিদা ফাওরক্লিবা, অঙক-অঙকপা, অকি-তুজুংবনা থল্লবা কয়া, মতম অমত্তদা থৌদোক কয়া-কয়া থোক্লিবা অসিগুম পচা মীতৈদসু তৌরমগদ্রা। অরেম্বা চাবদা হৈনরবা, মীপাল তাংবদা হালেংদ্রবা খুন্নাইসিগী মীওইশিংনা ভিস্মনা দুর্যধনগী মরল চারুবদগী অশেংবা, অচুম্বা অমদি নুপা থোক্লা পাঙ্গল, মহৈ ফূদোকপা ঙমখিদবদু মহাভারত পাবদা, ৱারী তাবদা চিত্থরবরা হৌজিক্কী মীশিংসিবু। মওন-মওন্নি কোকসিদা।

তাঞ্জাসিদা অহাঙবা কোক্কী মচি অমদা অমুক লিৎশিল্লকই - পূম্নমকসি ঐনা খল্লুবগী কান্নবনা করিনো। অদুবু ঐনা হায়জখিবদুনি খল্লরোই খল্লগা হেন্না হেন্না খলহল্লি হায়দুনা। খল্লি অমুকসু মখা তানা, শিরগা চপ মান্নবা ঐখোয় মীওইবনা করিগীনো হিংলিঙৈ মতমদা অসুক করাম চাউরিবা, অসুক য়াম্না নুংশিনদ্রিবা। নিংথৌরেল অশোকনা কলিঙ্গ লান লোইরবা মতুংদা খনখিবা ৱাখল, হোংলকখিবা মপুকচেল অদুবু লান তৌদ্রিঙৈদা খনবা কৈদৌবগে। কনানা অথিংবা পীবগে। অদুগা ঙসি-ঙসিমক হিংলিবা মীওইবা ঐখোয়সু নিংথৌরেল অশোককুম্না লানগী মতুংদা ৱাখল তাগদৌরিবরা। মী কয়া শিরগা, লন-থুম কয়া মাঙ-তাক্লগা লান লেপকদবনো। মওন-মওন্নি, চীংজাউ লাইজ ঈফুৎকুম লোইবা নাইদে ঐগী কোকসিদা। শিরগা করিসু লোইনখিরোইদবা মীওইবনা হিংলিঙৈ মতমদা লন-থুম মীকানদুনা অমগা-অমগা নুংশিনদ্রিবা, অকনবনা অশোনববু, অচৌবনা মচাবু, অশিংবনা অপংববু তুহৎপা নমথবা অমদি অরানবা পাম্বৈনা মরন্নাই লন-থুম লেপশিন্নবা হোৎনরিবা। খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মিংচৎ, শিবা নাইদবা নীংশিং য়ূম্বী পূম্নমক অসিদগী মীনা কি-হঙ্গোইনা, তুক্কৎচনা খনবা অসিনা হেন্না মরু ওইরিবরা। মসিবু অহোংবা হায়বদুরা চাওখৎপগী। থনবা নাইদবা কোক অসি অদুম তূমথখ্রে, আই সী য়ুগী কানুংসিদা।

-**সেঙ্গোয় সনসম**

# জবলপুরগী খোঙচৎ - ৬

নুমিদাংদু চাক চাবা ফরক অমা ইতা তারে । ঐখোয়না পুরকপা চেঙপাক্কা শঙ্গোমগদু খরদি তোৎলগা চারে। অথেংবদা চাক পেকেৎ ওইনা য়োনবা অমা লাকএ মদু লৈহৌরসি হায়না লৈহৌরে। ইহাও হাওবা নত্তে চাদবা নুংঙাইতবগী চাবনি। ওগষ্টকী চৈচৎ ২৪গী অয়ূক ঙন্তা চিন-য়া শেংদোক্লগা চা থক্লে। অয়ূক্কী পুং ৮.৩০ দা উজয়ন য়ৌরে। ঙাইহাক খাম্লগা পুং ৮.৫৫দা উজয়ন থাদোক্লে। উজয়ন য়ৌবদা উজয়নগী মহাকালেশ্বর মন্দির য়েংনীংবনি অদুবু পাম্বৈ লৈতে কুম্বা য়াদবনিনা। অয়ূক্কী পুং ১১ খরা হেনবদা থুংলে, ইন্দোর রেলৱে ষ্টেসন। সরিকাগা পাউ ফাওনরে, মানা ঐখোয়না লৈগদবা মফমদুগী এদ্রেস ঐঙোন্দা থারকই। ওটোদা অদুম চৎপা য়াবনি, নকপনি হায়। মানা গাড়ী থারকখোরা হায়, ঐনা য়ারনি হায়দুনা ঐখোয় ওটোরিক্সো ৱাইরগা চৎলে, ওসিস হোম রুদ্রাক্স ভবন ১৬ মীরা পাথ, ধেনু মার্কেট, ইন্দোর। ঐখোয়গী কা অনীদা পোৎ-চৈ থাংজিল্লে, নুপীগী কা অমা, নুপাগী কা অমা। নুমিদাংৱাইরম ফাওবদংগীনি।

মহাক্লা শীনবিরম্বনি। ঐখোয় ঈরু মায়থজরগা ঙাইহাক পোত্থারে। রামু হায়বা নেপালি মচা অমা লৈরম্মী। মহাক্লা ফোং-ফোং শানা থোংবা চাক-এঞ্জাং, তলনচিংবদু চারে। সরিকানা ফোন তৌরকই, মখোয় করম্বা মতমদা লাকউগে হায়না। ঐনা পুং ৫দা লাকউ হায়খ্রে। ঙাইহাক্তং কোয়থোক্লুসি হায়দুনা মোল অমদা চৎলে ‘ত্রেজর আইলেন্দ’। পোৎ-চৈদি লৈফম খঙদে, মমলসু য়াম্না তাঙই। ঐখোয় উন্নবা মী লাক্কনি হায়বদুদা নেনা-তাদ্রে অদুম হল্লক্লে। লম্বীদা হল্লকপদা চা থকখিসি হায়দুনা ঙাইহাক ফম্লগা চা থক্লে। কাদা য়ৌরগা পোৎ চৈ য়োম্বা হৌরে। ঙাইহাক্তং লৈরগা নহা অমা লাকই, খাও অমসু য়াল্লি। ঐদি মীদিয়াগী মী ওইরবোই নীংলুরে অদুগা কম্প্যুটরদা মাষ্টর তৌরিবা মহৈরোয় ওইরম্মী। মেদাম সরিকাদা ফোন তৌবদা মহাক লম্বীদা লৈরে হায়রকই। ঙাইহাক লৈরগা মথং-মথং লাক্লরে। কোলেজগী ওজা অমসু মধ্য প্রদেশকী সী পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি অতোপ্পা নুপী অমগা নুপা অমগসু লাকই। মখোয়না হংনীংবা হংলে, ঐখোয়সু খুম্বা য়াবা খুম্লে, মখোয়না লান্না খল্লম্বা খরসু শেংদোক্লে। মেদাম সরিকাসি নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ৱিমেনগী জেনরেল সেক্রেটরি এনি রাজাগা য়াম্না নক্লবা ওইরম্মী। মহাক্লা মধ্য প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবনি। ফনা কুইনা ৱারী শানরে, ঐখোয়গী এয়রপোর্ট চৎপগী মতম য়ৌশিল্লক্তুনা ময়ামদু কায়ন ৱাহৈ পীরম্লগা ঐখোয় কার অহুমদা থোরক্লে। এয়রপোর্ট য়ৌবদা লুপা ২২৪ খক্তং তাই অতোংমল।

অহিলয়াবাই এয়রপোর্ট ইন্দোর য়ৌরে পুং ৮ অদুৱাইদা। দিপাচরদি পুং ১০.৫০দনি। পুং ১০.৫০ ওইরম্বদগী পুং ১১.৫৫দা অমুক ওন্থোকখ্রে। গেট নম্বর ৱান্দগী সিক্সতা অমুক চৎলু হায়রে, সিক্সতগী ইলেভেন্দা অমুক চৎলু হায়রে। ওন্থোক্লা শাওনীংই অহিংদুদা। পুং ১.৪০দা দেল্লী এয়রপোর্ট য়ৌরে। পুং ৪.৫৫দা দেল্লী থাদোক্লে, গুৱাহাটিদা পুং ৭.১৫দা থুংলে, পুং ৯দদি ইম্ফাল য়ৌরে। মথংগী নেসনল কনফরেন্সতি ঔরঙ্গবাদতা তারে, মদুদসু ঙল্লবদি য়াওগে খল্লি।

— **ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **“ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **“পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“থম্বালগী লৈনম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **“বরাক তম্পাক্কী মরাইবক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **“কাইনগী থৈবোং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।